**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 22-09-2025)**

--অহানবদা মরুওইবা পাউ--

১) রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা গভর্নর ইন কাউন্সিলগী মীফম ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকখ্রে।

২) মণিপুরদা ধর্ম্মগী চৎনবী অমসুং লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিংগা লোইননা মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম পাঙথোক্লি।

৩) অনৌবা জি.এস.টি রিফোর্ম ঙসিদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা চৎনবা হৌরে।

৪) রিমস ইম্ফালদা থোকখিবা পামদবা থৌদোক্কী মতুং তারকপদা রিমসকী ডোক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং ঙসিসু চংশিল্লি।
অমসুং

৫) সরকারনা চৎলিবা শেনবা চহি অসিদা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনাগী মখাদা অহেনবা এল.পি.জি কন্নেক্সন লাখ ২৫ পীরগনি হায়না লাউথোকখ্রে।

------

রাজ ভবন (এল)ঃ রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা সভাপতি ওইদুনা গভর্নর ইন কাউন্সিলগী মীফম ঙসি ইম্ফালগী রাজ ভবনদা পাঙথোকখ্রে। মীফম অদুদা তোঙান তোঙানবা হিরমশিংগী মতাংদা খন্নদুনা থবক লৌখৎফম থোকপা থবকশিং লৌখৎনবা ৱারেপশিং লৌখি। ঙসি পাঙথোকখিবা মীফম অদুদা রাজ্যগী চীফ সেক্রেতরি অমদি হকশেল বিভাগকী কম্মিসনার শরুক য়াখি।

অমরোমদা, হ্বিল চেয়ার বাস্কেটবোল এসোসিসেন মণিপুরগী মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লাগা ইম্ফাল রাজ ভবনদা উন্নখি। উন্নবা অদুদা এসোসিয়সন অসিগী শান্নরোইশিংনা নেসনেল হ্বিল চেয়ার বাস্কেটবোল তুরনামেন্টতা শরুক য়ারুবদা সেকেন্দ রন্নরসঅপ তারকখিবা অদুবু রাজ্যপালনা থাগৎপা ফোংদোকখি।

কামজোং জিলাগী ইষ্টর্ন এরিয়া বোর্দর হফ দিমান্দ কমিতি পিলোংগী মীহুৎ কাংবু অমনসু রাজ্যপালগা উন্নদুনা মখোয়গী মাইকৈদগী মেমোরেন্দম অমসু পীশিনখি।

গভর্নর (এল)ঃ রাজ্য অসিদা দেঙ্গি লাইচৎ হেনগৎলক্লিবা অসিগী য়েংলগা মীপুম খুদিংমকা লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎতুনা চেকশিন্না লৈনবা রাজ্যপাল আজয় কুমার ভল্লানা আপীল তৌরক্লি।

সোসিয়েল মিদিয়া পোষ্ট অমদা শ্রী ভল্লানা হায়- ঐখোয় খুদিংমকা অকোইবগী ফিভম লু নান্না থম্বা, ঈশিং তুংহনদবা, কাংদগী ঙাকথোকবা হোৎনশি। লৌখৎপা য়াবা চেকশিন থৌরাংশিং লৌখৎপনা ইমুং মনুং য়াওনা মীপুম খুদিংমক লায়না অসিদগী ঙাকথোকপা ঙমগদৌরিবনি। ঐখোয় খুদিংমকা অমত্তা ওইনা পুনদুনা মশা মউ ফবা, অনা অয়েক য়াওদবা, তিঞ্জং কাইজংদবা মণিপুর অমা ওইহল্লশি।

চাউরেন (এল)ঃ মণিপুরদা ধর্ম্মগী চৎবী অমসুং লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিংগা লোইননা চহি খুদিংগী মেরা নোংম পানবা অসিবু মেরা চাউরেল হৌবা হায়না পাঙথোক্কুনা লাক্লি।

চহি অসিগী ওইনসু মেরা চাউরেল হৌবগী থৌরম লাইনিংথৌ সনামহি তেম্পল বোর্ডনা শিন্দুনা ঙসি অয়ুক ইম্ফালগী হয়িং খোঙবাল উফোঙ য়ুমফমদা লৈবা লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেনদা পাঙথোকখি।

লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোক্লবা মতুং লাইনিংথৌ সনামহি কোকথোল লেংফাই ফম্বাল পুদুনা চীং অমদি তমগী মীয়ামা জগোই খুৎথেক্না

লোয়ননা খোঙচৎ অমা কৈশাম্পাৎ, কাংঙাবম লৈকাই, ৱাহেংবম লৈকাই, উরিপোক, খ্বাইরম্বন্দ কৈথেল ফাউদুনা কংলা লাইফমলেন তমা চৎখি। হায়রিবা মফমশিং অসিদা মীয়ামা অথেনপোৎ কৎতুনা খোঙচৎ অদুবু তরামা ওকখি।

তুংদা, নুংঙ্গ্রেং পুখ্রিদগী ঈরু ইশেং লৌরবা মতুং লাইনিং থৌ সনামহি লাইশঙ তমা হল্লক্লবা মতুংদা মপুং ফাবা লাইনিং লাইশোনগী থৌরমশিং পাঙথোকখি।

অমরোমদা, দুর্গা পুজাগী থৌরমসু ঙসিদগী হৌরে। ইম্ফাল ৱেষ্টকী হিয়াংথাং লাইরেম্বীদা ঙসি অয়ুক অঙনবদা সংকৃতনগা লোয়ননা নোংম পানবগী কল্পরমভা পুজা পাঙথোকখি। হিয়াংথাং লাইরেম্বী দেভলপমেন্ট সেভা কম্মিতিনা থাদোরকপা চেরোল অমগী মতুংইন্না মথং থাগী ২ ফাওবা চখ্থগদবা পুজাগী থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা থা অসিগী ২৮ দা দেবী লেংথরক্কনি। অদ্গা, তাং ৩০ দা বর থৌরম পাঙথোক্কনি। বর নুমিৎকী ওইনা য়াচংবা সন্ধ্যাগী মতম পুং ৫ মিনিত ৪৫ তাবা মতমদা সন্ধি পুজা হৌরগা পুং ৬ মিনিত ৭ তা বলি কৎলবা মতুং পুং ৬ মিনিত ৩১ দা সন্ধি পুজা লোইশিনগনি।

পরিবার ঃ লৈবাক শিনবা থুংবদা থা অসিগী ১৭ তগী মথং থাগী ২ ফাওবা চখ্থগদবা স্বাচতা নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা নেসনেল হেলথ মিসন মণিপুরনা শিন্দুনা ঙসি বিষ্ণুপুরগী এ.এ.এম ইশোক্তা স্বাচতা নারি সাসক পরিবার অভিয়ানগী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

য়ু.এ.এ.এম থঙ্গাল বজারনা শিন্দুনা অভিয়ান অসিগী কেম্প অমা থঙ্গাল বজারদা ধর্ম্মসালাদসু পাঙথোকখি। মিসন অসিগী মখাদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী নাওরেম চাপ্প্রৌদা লৈবা এ.এম.এম.এস.সিদসু অভিয়ান অসি পাঙথোকখি। য়ু.এ.এ.এম হাওবম-মরক, এ.এ.এম-এস.সি অৱাং ৱাবগাইদসু স্বাচতা নারি সাসক পরিবার অভিয়ান অমসুং ৮ শুবা পোসন মাগী থৌরম পাঙথোকখি। থৌরমশিংগী শরুক অমা ওইনা নুপীশিংবু হকশেলগী চ্যেকঅপ তৌবগী খুদোংচাবা ফংহনখি।

থৌরম (এল)ঃ মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেন্না শিন্দুনা পাঙথোরক্লিবা ৮ শুবা রাষ্ট্রিয়া পোসন মা ২০২৫ অমদি নবরাত্রিগা মরী লৈননা নুমিৎ ৯ নি চখৎগদবা থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ঙসি অহানবা নুমিৎতা হকচাং ফবা পুন্সি মহিং অমসুং নুপীশিংবু মশা মউ ফনা লৈনবা, অফবা চীঞ্জাকশিং চাবা হায়বসিদা মীয়াম্বু হেন্না খঙহনবগী থৌরম অমা ঙসি ইম্ফালদা লৈবা তাঞ্জুল বেপটিষ্ট চর্চতা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদুদা মণিপুর ষ্টেট কম্মিসন ফোর ৱিমেনগী চেয়ারপার্সন টি.ঐচ. তিনিংফম মোনসাং, মেম্বরশিং য়াওনা অতৈ মীওই কয়া শরুক য়াখি।

চান্দেল (এল)ঃ লৈবাক শিনবা থুংনা থা অসিগী ১৭ তগী মথং থাগী ২ ফাওবা চখৎগদৌরিবা সেবা পর্বাগী শরুক অমা ওইনা নেসন ফার্ষ্ট এদরেট 75 কেম্পেনগী মনুং চন্না ঙসি চান্দেলগা কানানখু খুলগী চর্চ অমদি অঙ্গনৱাদি সেন্তরগী অকোইবদা উহৈ পানবা উ চারা ২০০ রোম থাখ্রে। থৌরম অসি দি.এফ.ও চান্দেলনা শিন্দুনা পাঙথোকপনি। থৌরম অদুগা মরী লৈননা দি.এফ.ও চান্দেল ডাঃ এল. মুনাল মৈতৈনা হায়- সেবা পর্বা অসি ভারতপু ইং ২০৪৭ দা মালেমগী চাওখৎপা লৈবাকশিংগী মনুং চন্নবা চংশিনবা কেম্পেন অমনি। মসিদা বিভাগ খুদিংমকা মাগী মাগী চান্নবা থবক থৌরমশিং পাঙথোকপদা মীয়ামা মতেং পাংবীয়ু হায়না মহাকা আপীল তৌখি।

জিএসটি (এল)ঃ অনৌবা জি.এস.টি রিফোর্ম ঙসিদগী লৈবাক শিনবা থুংবদা চৎনবা হৌরে। থা অসিগী ৩ দা কেন্দ্রগী শেল থুম মন্ত্রি নিরমালা সিতারমন্না সভাপতি ওইদুনা ফমখিবা ৫৬ শুবা জি.এস.টি কাউন্সিলগী মীফমা নেক্স জেনেরেসন জি.এস.টি রিফোর্মস চৎননবা লাউথোকখিবনি। অনৌবা জি.এস.টি অসিনা লম খুদিংদা লৌরম্বা টেক্স হন্থহনদুনা মীচম মীয়ামগী পুন্সি মহিং ফগৎহন্দুনা লৈবাক অসিবু মপাঙ্গল কনবা লৈবাক অমা ওইনবা হোৎনরি।

রিমস(এল)ঃ রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেদিকেল সাইন্সেস (রিমস) ইম্ফালগদা হন্দক ইকুই কুইদনা মীশি মীনা থোকখিবা অমদি মদুদা খোইশাওনরবা মীয়ামা

ডোক্তর ফু চৈবগী থৌওং চত্থরকখ্রবা মতুংদা রিমসকী ডোক্তরশিংনা থবক লেপ্পগী খোঙজং ঙসিসু চংশিল্লি। মসিনা মরম ওইদুনা ও.পি.দি, ইম্মরজেন্সি, রুতিন ও.টি অমদি পি.এম.ই সার্ভিসশিং লেপখিবদগী অনাবশিংদা চাউনা খুদোংচাদবা মায়োকরে।

কংগ্রেস (এল)ঃ কংগ্রেসনা হায়রি- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হন্দক ইম্ফালদা লাক্লম্বদা মণিপুরগী হৌজিক ওইরিবা ফিভমগী মতাংদা করিগুম্বা ৱাফম অমত্তা পল্লমদবা হায়বসি লাইবক থিবনি।

বি.টি. রোড ইম্ফালদা লৈবা কংগ্রেস ভবনদা পাঙথোকপা পাউগী মীফম অমদা এ.আই.সি.সিগী মণিপুর ইনচার্জ খৃষ্টোফর তিলকনা হায়- রাজ্য অসিদা লৈরিবা মীয়াম হৌজিকস্ তংদু লৈতানা লৈবা ফংদ্রি। মসিগী মথক্তা নেসনেল হাইৱেশিংদা নিংতমা চৎথোক চৎশিন য়াদ্রি। মহাকা হায়- মণিপুর অসি হিরম কয়াদা হৌজিকসু শোত্থরি। ইনফ্রাষ্ট্রকচর মতিক চাদ্রি।

ঈচাউ (এল)ঃ গভর্নর ইন কাউন্সিল অমসুং ৱাটর রিছোর্স বিভাগনা ইরিল তুরেল অমদি কোংবা তুরেলদগী ঈশিং পাথদুনা ঈচাউ মায়োকরিবা মফমশিংদা অখন্নবা মীৎয়েং চংদুনা অথুবা মতমদা শেমজিনবীয়ু হায়না ক্ষেত্রিগাউ কেন্দ্রগী এম.এল.এ শৈখ নুরুল হাসন্না ফোংদোকখ্রে।

ঙসি ক্ষেত্রিগাউদা লৈবা এম.এল.এগী য়ুমদা পাঙথোকখিবা পাউগী মীফম অমদা মহাকা হায়- মতম কুইনগী মমাংদা খোঙনাং মখোঙদগীনা নহারুপ কেন্দ্র ফাওবগী তুরেল মপানগী লম্বীশিং শেমজিনবীদনা লাক্লি। হন্দক নোং কন্না চুখিবা অমদি ডামগী গেটশিং হাংখিবনা ঈশিংগী ঈমায় হেনগৎলকপা, অসিনা মরম ওইরগা ইরিল তুরেলগী ঈমায় খঙহৌদনা ৱাংখৎলক্কুনা মফম অসিদা অহুল্লক শুবা ওইনা ঈশিং পাথোক্কুনা ঈচাউগী অৱাবা মায়োকখি। মহাকা হায়- হিরম অসিগী মতাংদা তুং কোইগদবা থৌরাং অমা পায়খৎপীনবা হৌখিবা জুন ২৩ দা রাজ্যপাল অমদি ৱাটর রিছোর্স বিভাগকী চীফ সেক্রেতরিদা অইবা চেরোলশিং পীশিনখিবা লৈখ্রে।

বিষ্ণুপুর (এল)ঃ মণিপুর সরকারনা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা নহাশিংদা মশাগা চান্নবা শিনফম পীনবা পায়খৎলকপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা এভিএসন সেক্তরদা কেবিন ক্রুগীদমক অখন্ননা স্কিল ত্রেনিং ফংলবা বিষ্ণুপুর জিলাদা লাঞ্জেন্নদুনা লৈরিবা নহাশিং ঙসি ইম্ফাল থাদোকখ্রে। মখোয়বু জিলা অসিগী দিপ্যুতি কম্মিসনার পুজা এলাংবমনা ঙসি কেবিন ক্রু রিপ্লেসমেন্টকীদমক ইম্ফাল এয়ারপোর্ট ফাওবা থিনদোকখি। জিলা অসিদগী আই.দি.পি ৩০ য়াওনা মীওই ৪৭ খনগৎখি। মণিপুর পুম্বগী ওইনা অহানবা ত্রেনিং অসিদা কেন্দিদেট ২০০ শরুক য়াগনি।

মোদি ঃ  নবরাত্রি কুম্মৈগী অহৌবা নুমিৎতা সরকারনা চৎলিবা শেনবা চহি অসিদা প্রধান মন্ত্রি উজৱালা য়োজনাগী মখাদা অহেনবা এল.পি.জি কন্নেক্সন লাখ ২৫ পীরগনি হায়রি।

নবরাত্রি কুম্মৈগা মরী লৈননা নুপী বেনিফিসরিশিংদা য়াইফ পাউজেল পীরদুনা প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা হায়- সরকারগী খোঙথাং অসিনা নুপীশিংবু হরাউ কুম্মৈ মতম অসিদা নুংঙাইহনবতা নত্তনা নুপীশিংদা হেন্না শক্তি পীবা হায়বা ৱাখল্লোন অদুসু মরা চেৎশিনহল্লগনি।

পাউমীশিংদা ৱা ঙাংবদা কেন্দ্রগী পেত্রোল্লিয়ম অমসুং নেচরেল গ্যাস মন্ত্রি হরদিপ সিংহ পুরিনা হায়- অনৌবা এল.পি.জি কন্নেক্সন লাখ ২৫ অসিগীদমক সরকারনা লুপা লিশিং ২-২ হেন্না চাদিং তৌগনি। মহাকা হায়- অনৌবা কন্নেক্সন অসিগা মরী লৈননা উজৱালাগী ইমুং মনুং কোতি ১০ লাখ ৫৮ য়ৌরগনি।

------